খেলো ইন্দিয়া এক্সলেন্স সেন্টর ৬কী লুপা ক্রোর ৬৭.৩২ সেঙ্কসন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

ইন্দিয়া লৈঙাক্কা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙম্নবা নহা ওইরিবা টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয়শিং শেমগৎনবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী মনুং চন্না খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সলেন্স (কে আই এস সী ঈ) ৬তা লৈরিবা ফেসিলিটিশিং অদু অহেনবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ৬৭.৩২ সেঙ্কসন তৌখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লুচিংদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সলেন্স কয়া লিংখৎতুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং মশক খঙদোক্লবা হোৎনরকপা স্কিমশিংদা মাংজৌননা শেমদুনা লৈখ্রবা সেন্টর ৬ অদুগী লৈরিবা ফেসিলিটিশিং অদু অহেনবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক শেনফমশিং অদু সেঙ্কসন তৌখিবনি।

অপগ্রেদ তৌগদৌরিবা কে আই এস সী ঈ সেন্টর ৬ অদুদি, অসামগী সারুসজাইদা লৈবা ষ্টেট্স স্পোর্টস একাদেমিগী ওইনা লুপা ক্রোর ৭.৯৬, মেঘলায়াগী শিল্লোংদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী লুপা ক্রোর ৮.৩৯, সিক্কিমগী কোনুং গেংটোক্তা লৈবা পালজোর ষ্টেদিয়মগী ওইনা লুপা ক্রোর ৭.৯১, দাদর এন্দ নগর হভেলিগী সিলভাসা সিটিদা লৈবা ন্যু স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী লুপা ক্রোর ৮.০৫, মধ্যপ্রদেশ ষ্টেট একাদেমিগী লুপা ক্রোর ১৯ অমসুং মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা বালেৱাদিগী শ্রী শিভছত্রপটি স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী লুপা ক্রোর ১৬নি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রীগী মায়কৈদগী খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সলেন্স ৬কী ওইনা হান্না লৈখিবা ফীভম অদুদগী মালেমগী থাক্তা ট্রেনিং ফেসিলিটি অমদি শান্নফম শেমগৎনবগীদমক্তা অপূনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৬৭.৩২গী শেনফম অদু কুমজা ২০২০-২১গী ওইনা সেঙ্কসন তৌখিবা অদুনা মখা তানা লাক্কদৌরিবা চহী ৪দা শেনফমশিং অদু মপুং ফানা শীজিন্নরগা লৈরিবা সেন্টরশিং অদুগী ষ্টেন্দর্দ ৱাংখৎনবা হোৎনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা শান্নবগী লম্দা থল্লিবা কুমজা ২০২৮ ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংবা মকোক থোংবা লৈবাক ১০গী মনুংদা চন্ননবা থল্লিবা পান্দম অসি য়ৌননবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং শেমগৎপগী স্কিম অমা ওইনা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ওফ এক্সলেন্স সেন্টরশিং অসি লিংখৎলকপনি। সেন্টরনা পীরিবা শেনফমশিং অসি কে আই এস সী ঈগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেনগৎহনবা অমদি কোচশিংগী ক্বালিটি হেনগৎতুনা শান্নরোয়শিংদা অহেনবা খূদোংচাবা পীগদবনি।

টোকিওনা ইন্টরনেসনল জিম্নাষ্টিক মীট য়ূম্বু ওইদুনা ওলিম্পিক্সকী চাংয়েং তৌগদৌরি

টোকিও, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী ১ য়েথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা য়াননবা হোৎনরকপগী চাংয়েং অমা ওইনা হয়েংদগী হৌরগা টোকিওদা রসিয়া, যু এস এ অমসুং চাইনা য়াওবা ইন্টরনেসনল জিম্নাষ্টিক মীট অমা পাঙথোক্কদৌরি।

জিম্নাষ্টিক কম্পিটিসন অদুনা চহী অসিগী মার্চ থাদগী হৌরগা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক লেপ্পুনা লাকখিবা অদু জপানগী সিটি টোকিওদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি কম্পিটিসন ওইগদৌরি।

হায়রিবা কম্পটিসন অসি জপানগী ওলিম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী ওফিসলশিং খত্তা নৎতনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী ওফিসলশিংনসু কুপ্পা য়েংশিন্দুনা টুর্নামেন্ট অদু হৌবদগী লোইবা ফাওবদা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসল য়াওনা সপোর্ট ষ্টাফশিংদা করম্বা প্রেসর অমদি অৱাবা লৈবগে হায়বদু য়েংশিনগদৌরি।

মরক অসিদা পনবা য়াবদি, জপানগী জিম্নাষ্ট, ওলিম্পিক গেমস অহুমদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা মীয়াম্না কিং কোহৈ হায়না খঙনরিবা জিম্নাষ্ট অসি হৌখিবা চয়োলদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবসু মখা তারকপা ফোলো অপ টেষ্টশিংদা নেগেটিভ ওইরকপদগী হয়েংদগী হৌগদৌরিবা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

জপান লৈঙাক্কা টোকিও ওলম্পিক গেমস ২০২০ পাঙথোকপা য়াখিদ্রবা মতুং মথং চহীদা পাঙথোক্লনবা লেপ্পরিঙৈ মরক অসিদা সিটি অদুদা অমদি অতোপ্পা ওলিম্পিককী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী শান্নফমশিংদা মখা তানা চাংয়েং তৌদুনা ওলিম্পিক গেমস অদু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি লৈরবা ফাওবদা পাঙথোকপা য়ানবগী খোঙথাং কয়া অমা লৌখৎলি।

টোকিওগী জিম্নাষ্টিক কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়ানবগীদমক যু এস এগী টিম শগোলশেন নুমীৎতগী প্রেক্টিস তৌবা হৌখ্রবনি। মখোয়গা লোয়ননা রসিয়া অমসুং চাইনাগী জিম্নাষ্টশিং অমদি মখোয়গা লোয়নরকপা কোচ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফশিংদা কোভিদ-১৯গী চেকশিন-কাঙলোনশিং ঙাকহনগদৌরি।

আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী জন্যুৱারী ৯দগী কোলকাটাদা হৌরগনি

কোলকাটা, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী হেক মথংদা লৈরিবা আই লীগকী ১৪রকশুবা এদিসন অদু কোলকাটানা য়ূম্বু ওইরগা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ৯দগী হৌরগনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোক্লদৌরিবা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিম ১১না অনৌবা ফোর্মেটতা লম্বা তৌনগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা টিমশিং অসিগী শান্নরোয়, ওফিসল অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং মাংজৌননা নুমীৎ ১৪নিগী ওইবা বাইও সেক্যুর ববলদা শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা লৈগদৌরি।

পনবা য়াবদি, মমাং সিজনগী আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা রাউন্দ লোইশিনবা ঙমদনা পোইন্ট টেবলগী এনালাইসিস তৌরগা লোইশিনখিবনি। হায়রিবা সিজন অদুদা কোলকাটাগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব মোহন বগান টাইটল লৌখি।

হন্দক্তা কোলকাটানা য়ূম্বু ওইরগা মফম অদুগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেদিয়ম অনীদা আই লীগ ক্বালিফায়িং মেটচশিং অশোয়-অঙাম য়াওদনা পাঙথোকপা ঙমখ্রবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক অমদি ষ্টেট অদুগী ফুটবোল এসোসিএসননা খুৎশম্নরগা আই লীগ ক্বালিফায়িং মেটচ অদু মায় পাক্লা পাঙথোককি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগকী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর সুনন্দো ধরনা ফোঙদোরকপদা, ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক অমদি ষ্টেট অদুগী ফুটবোল এসোসিএসন ওইরিবা আই এফ এ (ইন্দিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন)না অচৌবা থৌদাং লৌরগা আই লীগকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট মপুং ফানা পাঙথোকপা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

সুনন্দোনা মখা তারদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক অমসুং ষ্টেট অদুগী ফুটবোল এসোসিএসননা মতীক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা টিমশিং খনবগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোক্ল মদ্রবদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা কুমজা ২০২০-২১গী আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরমগদবনি।

কোলকাটাগী আই লীগ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদু চাংয়েং ওইনা এ আই এফ এফনা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রবা মতুং হায়রিবা মফম অদুদা কুমজা ২০২০-২১ সিজনগী ওইনা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শান্নবা য়াহল্লকপনি।

আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুদি, মণিপুরদগী নেরোকা এফ সী অমসুং ট্রাও এফ সী, আইজোল এফ সী, চর্চিল ব্রদরস, চেন্নাই সিটি এফ সী, গোকুলম কেরেলা, ইন্দিয়ন এরোজ, রাউন্দগ্লাস পঞ্জাব, রিয়াল কাশ্মির এফ সী, সুদেভা দিল্লি এফ সী অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মহমদন স্পোর্টিংনি। টুর্নামেন্ট অসি অনৌবা ফোর্মেটতা টিম ১১না অহানবা লেগতা লম্বা তৌনগনি।

সাউথমটননা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদ থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাউথমটননা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

লন্দনগী সেন্ট মেরি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৭শুবা মিনটতা সাউথমটনগী মায়কৈদগী থিও ৱালকোটনা পীরকপা বোল অমদা চে অদাম্সনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। সাউথমটনগী টিম মমাংগী ৭শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পোইন্ট ৭ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদ মেটচ ৭তা পোইন্ট ১১ ফংদুনা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা ফাওবদা চে অদাম্সকী পাঞ্জল অদু নৎতনা অতোপ্পা পাঞ্জল অমত্তা টিম অনীগী মায়কৈদগী চনশিন্নবা ঙমদনা লৈখি।

২শুবা হাফকী অয়াম্বা মতম অদুসু লম্বা মান্নরকপদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। অদুবু শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাংজিল থাদুনা লৈরিবা সাউথমটনগী ষ্টোর্ট আর্মষ্ট্রোংনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু মায় পাকপদগী লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৮দা পোইন্ট ১৬ ফংলগা মেটচ ৭তা পোইন্ট ১৬ ফংলিবা মমাংগী চেম্পিয়ন লিভরপুলগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা হেন্দুনা মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা এবর্টনবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু এবর্টনগী বর্নাদনা ১৯শুবা মিনটতা চনখি। য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফর্নান্দেজনা ২৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ৩২শুবা মিনটতা অমুক্তসু পাঞ্জল ১গা চনখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা য়ুনাইটেদকী কবানিনা পাঞ্জল ১ হাপচিল্লগা ৩-১দা থোইখি।

সেল্টা ভিগো অমসুং ঐবারগা শান্নখিবা মেটচ অনী দ্রো চৎখ্রে

মাদ্রিদ, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

স্পেনগী ফুটবোল ক্লবশিংগী নম্বর ৱান লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী তোঙান-তোঙানবা মেটচ অনীদা সেল্টা ভিগো অমসুং ঐবারনা মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা সেল্টা ভিগোনা মখোয়গী ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু এলচে টিমগী ওইনা ৮শুবা মেটচ ওইখিবা অদুদা অকনবা লম্বা থেংনখি। মেটচকী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মরিশুবা মিনটতা এলচেগী মায়কৈদগী ফিদেল সাভেজনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা সেল্টা ভিগোবু ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মিনট ৪দা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা আইএগো আস্পাসনা পীরকপা য়াম্না ফজবা বোল অমদা টিমমেট শান্তি মিনানা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা নাকল অনীগী শান্নরোয়শিং ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী ১-১দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ঐবার অমসুং এস দি হুস্কাগী মেটচ অদুসু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।

ঐবারগী টিম মমাংগী রাউন্দ ৯ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৯ ফংলগা ১২শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। ঙসিগী মেটচ দ্রো চৎখিবা অদুদা ফংখিবা পোইন্ট ১ হাপচিল্লগা ১১শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। অমরোমদা, এস দি হুস্কা মমাংদা রাউন্দ ৯ শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা টিম ২০গী টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা পোজিসনদা লৈখিবা অদু পোইন্ট ১ হাপচিল্লগা ৭ শুরবসু পোজিসন হাইগৎপা ঙমদনা লৈরি।

মার্সেলনা ষ্ট্রাসবোর্গ পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৪শুবদা লৈখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব মার্সেলনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ক্লবকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ষ্ট্রাসবোর্গপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মার্সেলগী টিম ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মাংওইননা রাউন্দ ৮ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, টিম ২০গী ওইবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ ৯ শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈখিবা ষ্ট্রাসবোর্গনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা পোইন্ট ফংবা ঙম্নবা শান্নরকখি।

ষ্ট্রাসবোর্গকী মশান্না অদুদা মার্সেলগী টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা য়াবা খূদোংচাবা ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা পুংখায় ফাগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা স্কোর বোর্দ হাঙদুনা লৈখি। অদুবু মার্সেলগী মায়কৈদগী ফংখিবা খূদোংচাবা অমদা টিম অদুগী দারিও বেনেদেটোনা পুশিনখিবা বোল অমা মতাং চানা ইন্থোরকপদা টিমমেট মোর্গান সেনসোননা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ৭২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচকী লেমহৌবা মতমদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মার্সেলনা মায় পাক্তুনা লীগ ৱানগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৯দা পোইন্ট ১৮ ফংলগা রেন্সকী পোইন্ট ১৮গা মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা রেন্সনা হেনবদগী মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি। মকোক্তা মমাংগী চেম্পিয়ন পি এস জিনা পোইন্ট ২১ ফংলগা লৈরি।

ৱর্দর ব্রিমেন অমসুং এফ সী কোন দ্রো চৎখ্রে, ব্রিমেন থাক অমা হাইগৎখ্রে

বর্লিন, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

য়ুরোপকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা অমা ওইরিবা জর্মনিদা পাঙথোকপা বুন্দেসলিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱর্দর ব্রিমেন অমসুং এফ সী কোন পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। ৱর্দর ব্রিমেন থাক হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ৱর্দর ব্রিমেনগী টিম মমাংগী রাউন্দ ৬ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, টিম ১৮না লম্বা তৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা এফ সী কোন রাউন্দ ৬ শান্নবা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২ ফংলগা ১৬শুবা পোজিসনদা লৈখিবা অদুদগী হাইগৎপা ঙমখিদে।

ঙরাং অথেংবা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নন হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। লীগ অসিগী মকোক থোংবা ক্লব মরিনা মথংগী সিজনদা শান্নগদবা য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। অদুবু ৱর্দর ব্রিমেন অমদি এফ সী কোনগী মায়কৈদগী হৌজিক লৈরিবা পোইন্ট টেবলগী ফীভম অসি য়েংলুরগা মকোক থোংবা টিম মরি য়ৌনবা হোৎনবদা অশাংবা লম্বেল অমা চৎকদবা ৱাৎলি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা এফ সী কোনন্না চথুরকপা এটেক অমদা লাকখিবা বোল অদু ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা শোয়বদগী মায়কৈ ওন্নদুনা চনখিবদগী ৱর্দর ব্রিমেনগী নিক্লাসনা এফ সী কোনদা পাঞ্জল ১ খূদোল তমখি। শান্নবগী ৮২ শুবা মিনটতা ৱর্দর ব্রিমেননা তকশিনখিবদা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু টিম অদুগী লিওনার্দো বিটেনকোর্টনা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনখি।

রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা কানাদাগী মিলোস রাওনিক মায়থীবা পীদুনা ভিএনা ওপন টেন্নিসগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ভিএনা, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

ওষ্ট্রিয়াগী সিটি ভিএনাদা পাঙথোকপা ভিএনা ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা কানাদাগী মিলোস রাওনিকপু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা দানিল মেদবেদেবনা ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বারমেনবু থোইরম্বনি। অদুগা মিলোস রাওনিকনা ফ্রান্সকী উগো হম্বর্টপু থোইখি।

ঙসিগী সেমীফাইনেল লম্বা অদুদা শান্নরোয় অনীমক হৌবদগী লেং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু রসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা রাওনিককী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা মদুগী খূদোংচাবা অদুনা মহাক্কী মায়কৈদা অহানবা সেট অদু গেম ৬-৪দা থোইবা ঙম্লগী অচৌবা কান্নবা পীখি।

অনীশুবা সেটতা কানাদাগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীদুনা দানিল মেদবেদেবকী শোট খূদিংমক পাউখুম পীবা ঙমখি। গেম ইন্না-ইন্নদুনা লাক্লগা ১২শুবা গেমস শান্নবা ফাওবদা শান্নরোয় অনীমক গেম ৬-৬ থোইনদুনা লৈখিবদগী টাই ব্রেকতা মায় পাকপা শান্নরোয় অদু মশক খঙদোকপা তাখি। টাই ব্রেক অদুদা দানিল মেদবেদেবনা কানাদাগী মিলোস রাওনিকপু পোইন্ট ৭-৪দা থোইরগা সেমীফাইনেল মেটচ অদু মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখি।

মহাক্না ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং মরিশুবা সিদেদ জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব অনীগী ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা অদুগী অথোইবগা থেংনরগনি।

পনবা য়াই, রাফেল নদালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা স্পেনগী শান্নরোয় পাব্লো কারিনো বুষ্টাবু মায়থীবা পীরম্বনি। অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু মায়থীবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবল্সকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রোহন বোপানা অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মরাক ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী এদৱর্দ রোজর বেসেলিন অমসুং অতোপ্পা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় জুর্গেন মেলজরগী মখূৎতা ০-৬, ৬-৭ (৬-৮)তা মায়থীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে। মায়থীরবসু বোপানা অমসুং মরাকনা শেলগী মনা ওইনা য়ুরো ৩২,০০০ ফংখি।

সাসুলো দ্রো চৎখিবদগী মাংজিল থারম্বা য়াবগী খূদোংচাবা মাঙখ্রে

রোম, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

ইটালিদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ক্লবশিংগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাসুলোনা উদিনেসকা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবদগী মাংজিল থারম্বা য়াবা খূদোংচাবা অমা মাঙজখ্রে।

সাসুলোগী টিম সেরি এগী ৬শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা মেটচ ৪ থোইরগা অতোপ্পা মেটচ অনী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। করিগুম্বা ঙরাংগী মেটচ অদুদা সাসুলোনা উদিনেসকা শান্নবা অদুদা মায় পাক্লম্বা তারবদি পোইন্ট ১৭ ফংলগা হৌজিক টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ১৬ ফংলগা মাংজিল থারিবা এ সী মিলানদগী হেল্লগা মকোক্তা লৈরমগদবনি।

নাকল অমরোমদা, উদিনেসকী টিম মমাংদা শান্নখিবা রাউন্দ ৬ তা মেটচ অমা মায় পাকখিবা অমদি অতোপ্পা মেটচ মঙা মায়থীবা নংলগা পোইন্ট ৩ খক ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টিম ২০গী পোইন্ট টেবলদা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাং অথেংবগী মেটচ অদু উদিনেসকী শান্নরোয়শিংবু মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি। মরমদি মখোয়গী মায়োক্তা অরিংবা টিম অমা ওইরিবা সাসুলোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চলহন্দনা লৈখিবা অদুননি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

এম বুধ, চিংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়

ঐখোয়গী লৈবাক অসি করপসনগী তীলনা লাকহৎলকপা কুইরে। মসিদগী ফরক্লবা হোৎনগনি অদুবু মতমদি চঙখিগনি হায়নরি। করপসন হন্থহন্নবগী পাম্বৈ খরগী মনুংদা এদ্যুকেসন, ট্রান্সপিরেন্সি, ওনেষ্টি পনবা য়াই। কেরলা ষ্টেট অসি লিটরেসি খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেট অমা ওইবনা করপসনগী থৌওং অসি খ্বাইদগী নেম্মী হায়নৈ। ঐখোয় ইশা-ইশানা তৌরু-তৌরুবা থবক্তা পুকচেল শেংনা অমসুং মনুং-মপাল ফাওনা উহনবা হোৎনরবদি করপসন হায়বসি মথন্তা নেমথজখিগনি। লৈঙাক অমদি লৈঙাকপগী থবক তৌরিবশিংগী মরক্তা হকথেংননা থোং মান্ননা চৎমিন্নরবদি করপসন লৈতবা লম অমা ওইহল্লকপদা চাওনা মতেং ওইগনি। থোং মান্ননা হিংবা হায়বসিদা লম অদুদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না পব্লিক ট্রান্সপোর্ট শীজিন্নরকপা, পুলিস অমসুং কোর্টশিংদা চপ মান্নবা ৱেটেজ পীরবা মতম অদুদা করপসন লৈতবা লৈবাক অমা হায়বদু ওইগনি খল্লি। করপসন ফ্রি ওইনবগী ৱাফম কয়া ঙাঙনবদি হৌরে অদুবু মীওই খরনা অরানবা ৱাহন্থোক হায়বদি করপসন পংতৌদা তৌবা য়াবগী মওংদা চৎনখিদুনা ষ্টেট অসিগী মশক থীহল্লকপসু য়াই। করপসন ফ্রিগী মহুৎতা নো করপসন হায়রগদি য়াম্না শাফবা হেল্লক্কনি। করপসন ফ্রিগী অতোপ্পা ৱাহৈ অমা হায়রগদি ট্রান্সপেরেন্সি হায়বসিনা ওইহন্নিংই। ট্রান্সপেরেন্সি লৈরগদি মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

মুতুম মালেমঙানবা, খোংজোম খেবচিং

ওন্থোকপা কুম্মৈনি তৌরিবা...! লমদম অসিদা কোভিদ-১৯না শিবা মীশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লবসু অমদি লৈঙাক্না তোঙানবা এস ও পি কয়া শেমজরবসু ঙসি পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখল অসিদদি কোভিদ-১৯ শুকলৈ লৈত্রবা নোর্মেল লাইফ অমগুম মীয়াম পুন্না লৈবা, ক্যু লেপ্পদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা লোয়ননা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনসু এস ও পিশিং নিংথিনা ঙাকখিদবগী থৌওং অসিদি য়াম্না লাইবক থীবনি। মরক্কী মীখল তৌরিবা কন্সটিট্যুন্সিশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা পাক্কন্না লাইচৎ অসি শন্দোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মসিগী তেকচাক মীয়াম অমসুং লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সি অমদি লৈঙাক্না ওইফম থোকই। মরমদি মীয়াম্না মশাগী থৌদাং অমদি এব্যারনেস লৈতবগী, লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা নীংথিনা মোনিটর তৌবিদবা লোয়ননা লৈঙাক্না মসিগী চপচাবা এস ও পি শেম্বিদ্বগীনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎকী ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলুরগা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামবু নুংশিজদুনা অমদি লাইচৎ অসিদগী কনবা পাম্বদগী মরককী মীখল অসিদা এস ও পি ঙাকখিদবগী থৌওংদা কমপ্লেন তৌজবা মতমদা পাউখুমদি ফজনা পীবিরকখি অদুবু এক্সনদি লৌখৎপীখিদে।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা
hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

রিয়াল মাদ্রিদকী হেজার্দ অমসুং কাসেমিরো কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

মাদ্রিদ, নবেম্বর ০৭(এজেন্সী):

মালেমগী ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদকী ষ্ট্রাইকর ইদেন হেজার্দ অমসুং মিদ ফিল্ডর কাসেমিরো কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রে।

শান্নরোয় অনী অসি নিংথৌকাবা নুমীৎতা লালিগাগী ভেলেন্সেগা শান্নগদবা মেটচ অদুদা শরুক য়াররোই হায়না রিয়াল মাদ্রিদ ক্লবকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

শান্নরোয় অনী অসি ইরাই নুমীৎকী অয়ুক্তা লৈবাক অদুগী ওইবা শান্নবগী হীরম খূদিংমক্তা থল্লিবা এস ও পিগী মনুং চন্না টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়বা অদু ঙসি অঙনবদা খঙখিবনি।

পনবা য়াবদি, ক্লব অসিগী দিফেন্দর ইদর মিলিটাও হৌখিবা চয়োলদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী ইন্টর মিলানবু ক্লব অদুনা ৩-২দা থোইখিবা মেটচ অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। ইদেন হেজার্দ অমসুং কাসেমিরো হৌজিক-হৌজিক সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা লৈখ্রে। মখোয় নবেম্বর ২১গী মেটচতা শান্নবা য়ানা লৈরি।

a unit of
RaDiant Group
Arambai2020 B2B HUB
“buyer & seller circle”
Come all local entrepreneurs, Indigenous food producers, local farmers sell your products with us.
We will build your product brand value, provide marketing assistance & also buy your products.
It's a platform for mutual benefits & also provide you financial benefits upto 10 lakhs.
“Let us grow together”
6009952083
arambai20201@gmail.com
arambai2020
HL-B/6504/8/11-4/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com